# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 22-03-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং মোরেগী কানন ভেং ভিলেজদগী মীওই অনিদগী দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎ কিলোগ্রাম ১১ হেনবগা কোন্ননা ফারে।

২) অহুমসুবা নোর্থ ইষ্ট গেমসতা মণিপুরনা সনাগী তকমান ২৯ য়াওনা পুন্না তকমান ৬৯ ফংদুনা অনিসুবা মফমদা লৈরি।

অমসুং

৩) দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱাল লিকর পোলিসি কেসকা মরী লৈননা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটনা ফারে।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা অমদি শান্তি হঞ্জিল্লকবগী পান্দমদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা খুদোংথিনিঙাই ওইবা মফমশিংদা লেপ্পা লৈতনা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবকশিং চথুরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং মোরেগী কানন ভেং ভিলেজদগী মীওই অনি ড্রগকা কোন্ননা ফাখি। মখোয়দগী কিলোগ্রাম ১১ হেনবা দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎ, মোবাইল ফোন অনি, ওতো রিক্সো অমা ফাগৎখি। মখা তানা থিজিন্নবগীদমক মখোয়গী মথক্তা কেস অমা লৌখৎলে। অমরোমদা, নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অমসুং নেসনেল হাইৱে-ট ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুবা ত্রক ২১৯ অমদি ২২৫ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা ইম্ফালদা

পুশিল্লকখি। রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা সেক্যুরিতি চ্যেক পোইন্ট ১২৮ লোম হাংদোক্কুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক চখখি হায়রি।

কোকোমি (এল)ঃ কোওর্দিনেতিং কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)গী ৱাঙাংলোই খুরাইজম অথৌবনা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাংদা মীওহ্বগী হক খোঙগাউনবগা মরী লৈনবা হিরমশিং য়েংশিনবীনবা স্পেসিয়েল রাপোর্টর অমা হাপ্পীনবা য়ুনাইতেদ নেসন্স হ্যমেন রাইটস কাউন্সিলগী ৫৫ সুবা মীফমদা ঙরাং তকশিনখ্রে। জেনেভাদা চত্থরিবা য়ু.এন. হ্যমেন রাইটস কাউন্সিলগী মীফমদা কোকোমিনা মণিপুরদা লেপ্পা লৈতনা আইন্না য়াদবা মওংদা মীতোপশিং চংশিল্লকপা, পোপি থাবা, আইন্না য়াদবা মওংদা ড্রগ অমদি খুৎলায় কয়া লল্লোনবগী থবকশিং চত্থরিবা অসি থিংনবা অমদি ইরাংনা মরম ওইদুনা মীওই লিশিং ৭০ রোম লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা অসিদা মতেং পাংবীনবা ৱাফমশিংসু পুখৎখি।

ফেরজোল (এল)ঃ ফেরজোল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট অমসুং এসেমব্লি লেবেল মাষ্টর ত্রেন্নরশিংগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। ফেরজোলগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারসু ওইরিবা দি.সি- অসিস দাসনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং সেসন অদুদা জিলা অসিগী সব-দিভিজনেল ওফিসারশিং অমদি সব-দিপ্যতি কল্লেক্তরশিং শরুক য়াখি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা প্রিসাইদিং ওফিসারশিং অমসুং পোল্লিং ওফিসারশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা নিংথিনা ভাব তাহনখি। ই.ভি.এম, ভি.ভি.পেদ শিজিন্নবগী মতাংদসু নিংথিনা ত্রেনিং পীখি হায়রি।

গেমস (এল)ঃ নাগালেন্দদা চত্থরিবা অহুমসুবা নোর্থ ইষ্ট গেমসগী ঙরাং নুমিৎ হুমি চনবা ফাওবদা য়ুম্বু নাগালেন্দনা সনাগী তকমান ৩১, লুপাগী ১৭, শেঞ্জেংগী ২৪ পুন্না তকমান ৭২ ফংদুনা মেদল তেল্লিদা অহানবা মফমদা লৈরি।
মণিপুরনা সনাগী তকমান ২৯, লুপাগী ১৮, শেঞ্জেংগী ২২ পুন্না তকমান ৬৯ ফংদুনা অনিসুবা মফমদা লৈরি।

কেজ্রিৱাল ঃ দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱাল লিকর পোলিসি কেসকা মরী লৈননা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেট (ই.দি)না ফারে। দিল্লিগী মন্ত্রি সৌরব ভরদ্বাজনা সোসেয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা ৱাফম অসি ফোংদোরকপনি। ই.দিনা শ্রী কেজ্রিৱালবু লিকর পোলিসিগা মরী লৈননা শেল চাবগী কেসতা ৯ লক সম্মোন থাখ্রবনি। শ্রী কেজ্রিৱালবু ই.দিনা ফাহন্নদনবা দিল্লি হাই কোর্টতা থাখিবা ৱাকৎ অদু য়াখিদ্রবা মতুং পুং খরা লৈরগা মহাক ফাখিবনি। মদুগী মমাংদা ই.দিনা টিমনা মহাক্কী ময়ুমদা ঙরাং নুমিদাংদা থিবা হুম্বগী থবক চখ্খিবনি।

মীরেপ ঃ লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা তামিলনাদুদা মীরেপ ওইগদবা বি.জে.পিগী অহুমসুবা তাঙ্কক্কী মীওই ৯ লিষ্ট ঙরাং লাউথোকখ্রে।
অমরোমদা কংগ্রেসকী ওইনসু মীখল অসিদা মীরেপ ওইগদবা অহুমসুবা তাঙ্কক্কী মীওই ৫৭ কী লিষ্টসু ঙরাং লাউথোকখ্রে। মসিগী মনুংদা অরুনাচল প্রদেশতা অনি, গুজরাত্তা ১১, করনাটক্তা ১৭, মহারাষ্ট্রদা ৭, রাজস্থানদা ৫ অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলদা ৮ য়াওরি।

ইসি ঃ ইলেক্সন কম্মিসন্না য়ুনিক নম্বরশিং য়াওরবা ইলেক্তোরেল বোন্দগী দেটাশিং মীয়ামদা খঙহনবা অপলোদ তৌখ্রে। মসিনা বোন্দ লৈরিবা মীওইশিংগা ফন্দ ফংলিবা রাজনীতি দলশিংগা চান্নব্রা হায়বদু খঙদোকপা ঙম্লগনি। সুপ্রিম কোর্টকী হুকুম অমগী মতুংইন্না ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা পীখৎলকখিবা দেটাশিং অদু ইলেক্সন কম্মিসনগী ৱেব সাইটতা অপলোদ তৌরকপনি। মসিদা দোনর অমসুং রিসিপেন্টকী তোঙান তোঙানবা লিষ্টশিং য়াওরি।

এনআইএ ঃ নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ)না মীয়ামদগী নমদুনল শেল খায়বা অমদি বোম পোকখায়নবগী থৌদোকশিংদা চেন্নবা আই.এস.আই.এসকী মীওই অহুমগী মথক্তা চার্জসিটশিং থাংগৎখ্রে। চার্জসিটশিং অসি নিউ দিল্লি পতিয়ালা হাউসতা লৈবা এন.আই.এগী স্পেসিয়েল কোর্টতা ঙরাং

ফাইল তৌখিবনি। এজেন্সি অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- লৈবাক অসিগী মায়োক্তা থবক তৌবগীদমক মখোয়গী মথক্তা চার্জসিট অসি থাংগৎপনি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়- মখোয়দগী বোম শাবদা শিজিন্নবা মচাকশিং য়াওনা অতৈ আইন্না য়াদবা পোৎলমশিং ফাগৎখি।

পঞ্জাব ঃ পঞ্জাবকী সংগুরুর জিলাগী খুঙ্গং অনিদা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী শিখিবা মীগী মশিং ৮ শুরে। থৌদোক অসিগী মতাংদা বি.জে.পি, কংগ্রেস, সিরোমোনি অকালি দলনা রাজ্য সরকারবু চৈখ্রে।

এসোসিয়েসন ঃ পেরিস ওলিম্পিক গেমসতা ভারতকী ফ্লেগ বিয়ারর ওইননবা ভেটরান টেবল টেন্নিস প্লেয়ার অচনতা শরত কমলগী মীং ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসন্না লাথোকখ্রে।

হাইতি ঃ হাইতিদা লৈরিবা ভারতমচাশিং ওপরেসন ইন্দ্রভতিগী মখাদা দোমিনিকান রিপাব্লিকতা হোনদোকপগী থবক হৌরে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়- ঙরাং ভারত মচা ১২ হোনদোকখ্রে। মহাকা হায়- সরকার অসিনা মপান লৈবাকশিংদা লৈবা ভারত মচাশিংগী য়াইফনবা অমদি ঙাক শেনদুনা থমবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলি। মহাকা খোঙথাং অসিদা রিপাব্লিক সরকারনা মতেং পাংবগীদমক্তা থাগৎপা ফোংদোক্লি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুর নিউজদা- কাংলুপকী ইরাংনা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংগী স্পেসিয়েল পোল্লিং বুথ ৯৪ হাংদোক্লগনি হায়বা পাউ অসিগা লোয়ননা মণিপুরদগী মীজোরমদা লাঞ্জেন্নরগা লৈরিবা কুকি জো ভোতর লিশিং ৯ গী ওইনদি স্পেসিয়েল পোল্লিং বুথশিং হাংদোকপদা য়াওদে হায়বা পাউনা অহানবা

হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। জে.দি.য়ুনা কনাদা শৌগৎকদগে লৈখায় তাদ্রি, পার্তিগী হাই কন্মান্দনা হায়রকপা ৱাফম ঙাকা চৎকনি হায়না দল অসিগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রি বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- লোক সভা মীখল বি.জে.পিগীদসু কংগ্রেসকীসু লৈখায় তাদ্রি হায়বা পাউনা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। বিরোধি দল ১০ গী ইন্নরগী মীরেপ ঙসি লৈখায় তারবা য়াই হায়বা পাউ অমা বোক্স আইতেম ওইনা পাউচে অসিদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মণিপুরগী ৱাথোক্কী মতাংদা য়েংশিন্নবা য়ু.এনগী স্পেসিয়েল রাপোর্টর হাপ্পীনবা কোকোমিনা য়ুনাইতেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলদা তকশিনখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। কামজোং জিলাগী সোতুন খুলদা থকবা ঈশিং ফংদবনা মীয়াম খম থেংনা ৱানরে হায়বা পাউ এনকর কলমদা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা- এস.বি.আইনা পীশিল্লকখিবা ইলেক্তোরেল বোন্দ দাটা ইলেক্সন কম্মিসন্না মীয়াম খঙনবা অপলোদ তৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। এস.এস.সিনা লৌবা কন্সটেবল জি.দিগী পরিক্ষাগী অরোইবা ফল লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- মীরেপ অমত্তা নোমিনেসন ফাইল তৌরক্ত্রি, পোল্লিং ওফিসিয়েলশিং ফেজ কয়া থোকা ত্রেনিং পীবা হৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌদ্না ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটনা দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱাল ফাখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- মণিপুরগী বিরোধি দল ১০ না ঙসি মীফম পাঙথোক্তুনা ইন্নর অমসুং আউটর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুন্সিদা কম্মন কেন্দিদেট থাদোকবগী মতাংদা খন্নগদৌরি হায়বা পাউনা অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোকফমদা- জিমিকতা এন.পি.এফকী টিকেৎ খুৎশিন্নখ্রে, ইন্নরদদি

বি.জে.পিদা সর্প্লোট তৌগনি, আউটরগীদি খন্নখিনি হায়না এন.পি.এফ মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতকী প্রসিদেন্ট অবাংবৌ নিউমাইনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- পীথোক্তনা লৈরিবা নফসাগী চেং থাদোকবা খোঙথাং লৌখৎলে হায়না সি.এ.এফ এন্দ পি.দি মন্ত্রি লৈশাংথেম শুশিনদ্রোনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- মণিপুরগী কংগ্রেস অমসুং বি.জে.পিগী মীরেপ লাউথোরকপা থোইবীনা লোই কারকপা ঙাইবদৌনা ঙাইনরে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। য়েলহৌমীশিংগী হক মপুংফানা ফংদনা ঈং তপ্লা লৈরোই হায়না মণিপুর হাই কোর্টকী চীফ জষ্টিস সিদার্থ ম্রিদুলনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- হৌজিক ফাওবদা মীরেপ অমত্তনা মীরেপচে পীশিল্লক্ত্রি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। মণিপুরগী ৱাথোক লোইশিন্নবা কোকোমিনা য়ুনাইতেদ নেসন্সতা মতেং পাংবীনবা তকশিনখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------